# লায়না লাক্তনবা করম্না ওকোন লূ-নান্না থম্বীগনি



- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

শেন্দাল লম্বী অমা ওইনা ওক লোয়বা মতমদা ওকনা লৈনবা মকোনসি নীংথিনা শাবীবা তঙাইফদে। ওকোন শাবা মতমদা চাফম, থকফম, কুনফম, মথী-ময়ুং ফাইফম মফম চানা থম্বীগনি। মচীঞ্জাক চাফম থকফম বাগোশশিংদু লৈমায়দগী ৱাংহন্দুনা মথী ময়ুংগা তোৎশিন তীন্নহল্লোইদবনি। নুমিৎ খুদিংগী অনীরক মতম চানা ওককোন মনুং মপান অমসুং নালাগী মথি ময়ুং শিত্তোক চামথোকপগা লোয়ননা ওকশিংবু তরূ তনান্না থম্বীগনি। মসিগীদমক মখাগী চৎন-কাঙলোনশিং অসি নীংথিনা পাঙথোকপীগনি। লায়না চেন্দবা ওকশিংগী মকোন শেংদোকপা :

ক) নুমিৎ খুদিংগী অয়ূক অমসুং নুমিদাংৱাইরমদা মচীঞ্জাক থাবীদ্রিঙৈগী মমাঙদা মকোন মনুংগী লৈমায়দা তাবা মথী ময়ুং শেংনা লৌথোকপীগনি। পকশিন্দুনা লৈবা মথী মপংদু অকনবা ব্রশ নৎত্রগা শুমজিৎ অমনা তকথোক খোৎতোল্লগা লৌথোক্কদবনি। মপংগী শরুক লৌথোল্লবা মতুংদা শুধা সাপোন হাপ্লগা ঈশিংনা লৈমায়বু খক্তা নত্তনা ওকশিংনা ফংবা য়াবা মফম খুদিংমক শেংনা চামথোকপীগনি। চাফম থকফম বাগোশশিংসু ঈশিং অশেংবনা অমুক হন্না চামথোকপীগনি। চামথোকপদা খূৎলোয়নবা কোন্থোক কোনশিন য়াবা রবর পাইপ মচা অমগী মতেংনা প্রেসর য়াওনা ঈশিং কাপথোকহনবীগনি।

খ) নুংথিলগী নুংশা শাগৎলকপা মতমদা ওকশিংদু ইরুজবীগনি। লোয়ননা ঈশিংনা অমুক ওকোনগী লৈমায়, ফক্লাংনচিংবা চামথোকপীগনি।

গ) ওকোনগী মপান্দা লৈবা ওকশিংনা চৎফম, শান্নফম অমদি শাজেল তৌফম ওইরিবা মফম খুদিংমক্তা মথী ময়ুং তুংশিন্দুনা লৈহল্লোইদবনি। মথী ময়ুং শেংনা লৌথোল্লবা মতুংদা দিসইনফেক্টেন শীজিন্নদুনা চাইথোকপীগনি।

লায়না চেল্লবা ওকশিংগী মকোন শেংদোকপা :-

ক) ওকোনগী মরু ওইবা থোঙ লোনশিন্দুনা মীতোপ চঙহনবীরোইদবনি।

খ) মকোন মনুংদা লৈবা মথী ময়ুং নত্তনা কুনফম তূস্ফম ওইনরম্বা চরূ চনাই খুদিংমক শেংনা লৌথোল্লগা মৈ থাদোক্কদবনি নৎত্রগা ওকশিংনা ফংলোইদবা মফমদা লুনা তৌদুনা ফুমজিনবীগনি।

গ) ওকোনগী লৈমায় অমসুং ফক্লাংনচিংবদা শেংনা শেংদোল্লবা মতুংদা ফিনাইল ২% নৎত্রগা শুধা ৫% ঈশিংদা হাপ্লগা চামথোকপীগনি।

ঘ) ওকশিংনা চাফম, শান্নফম লৈমায়দু লৈবাক ওইরগদি ইঞ্চি ২/৩গী লৈরোল লৌথোকপীরগা মফম চানা ফুমজিনবীগনি। লৈবাক লৈরোলদু লৌথোকখ্রগা ফিনাইল ৫% ঈশিংদা হাপ্লগা চাইথোকপীগনি।



ঙ) ওকোনলোমদা চঙফম ওইরিবা লম্বী অদুসু ফিনাইল ৫% নৎত্রগা ফোর্মেলিন ৫-১০% ঈশিংদা হাপ্লগা চাইথোকপীগনি।

চ) ওকোনগী মরু ওইবা চঙফম গেট মমাঙদা খোঙউপ ফিনাৎ লুপশিন্নবা ফিনাইল ১০% সোল্যুশন থমগনি।

ছ) ওকোনগী মনুং মপান অনীমক্তা দিসইনফেক্টেনশিং নোংমদা অনীরক চাইথোকপীগনি।

**মথি-ময়ুং মফম চানা য়েংলগা পুথোকপা :**

ক) ওককী ফার্ম অমা থম্নবা হোৎনবদা অহানবা ওইনা পায়খৎকদবা মথৌ তাবশিংগী মনুংদা মথী ময়ুং হুন্দোক্লবা মফম চানা খনবা য়াম্না মরু ওই। নোংমদা ওক অচৌবা ১০না মথী কিলো ৩৫-৪০ ফাই অদুগা ময়ুংনা লিটর ৬০-৭০ রোম হান্দোকই। ওক য়াম্না থমদবা ওইরগদি ইশ্নোলনচিংবা মফমদা হৌবা পান্থীশিংগী হার ওইনা পুথোকখিবা য়াই। অদুবু লায়না লাকপা মতমদদি মসিনা লায়না শন্দোকহনবা য়াবগী ৱাফম লাকই। খ্বাইদগী ফবদি বাইওগ্যাসকী প্লান্ট ওইনা টেঙ্ক অমা চল্লগা নুংশিৎ চংহন্দনা পৈশিন্দুনা থল্লবদি লায়না তীলনা শন্দোরকপা থিংবদা নত্তনা মিথেল গ্যাস থোকহন্দুনা মৈ ওইনা শীজিন্নবা ঙম্মী। ওক ২০গী মথী ময়ুংদা নোংমদা মিথেন গ্যাস লিটর ৩৫০০ রোম পুথোকপা ঙম্মী। অসুম্না নুংশিৎ চঙহন্দনা লৈরোন মনুংদা পৈশিন্দুনা থল্লবদি লায়না অয়াম্বগী হৌরকফম ওইরিবা মহীক মতাং লোইনা হাত্তোক্তুনা লায়না শন্দোকহন্দবগী পাম্বৈ অমা ওই।

খ) ফার্মগী অকোয়বা অমসুং মনুংদা অতোপ্পা মপানগী মীওই হূই, হৌদোং, ষণ, ইরোই অমদি লমগী শানচিংবা চঙহল্লোইদবনি। মীতোপশিং ফার্ম মনুংদা চঙবা তারগদি খোঙউপ, ফিনাৎ অমসুং মফি-মরোল হোংদোকহনগদবনি। লোয়ননা ফার্মগী ম্যেন গেটতা থম্বা দিসইনফেক্টেন সোল্যুশনদা খোঙউপ, ফিনাৎ লুপশিল্লগা মনুংদা চঙহনগদবনি। অদুবু ওককী লায়না য়াম্না কন্না শন্দোরকপা মতমদদি ফার্ম মনুংদা মী চঙহনবীরোইদবনি।

গ) চগুম চনাই অমদি শা-ঙা শেম শাবগী মহী মচুম, অরেম অপানা মচীঞ্জাক ওইনা শীজিন্নবা তারগদি মশক খঙবা মফমদগী লৌগদবনি। চগুম মরক্তা চুরুট, বিড়ি, খৈনি, জর্দা, সর্ফ-সাপোন অমদি তীলহাৎ হীদাক্লচিংবা হূ ওইগদবা পোৎশক য়াওহল্লোইদবনি। চগুম-চনাই খুদিংমক পীজদ্রিঙৈগী মমাঙদা চামথোকপীরগা শৌদোকহল্লবা মতুংদা পীজবীগনি।

ঘ) অমোৎপা পূখ্রি, খোংবানগী ঈশিং কৈদৌনুংদা ওককী পীজ-পীথক্কী ওইনা শীজিন্নরোইদবনি।

ঙ) শঞ্জাবুংগা শম্নবা পূখ্রি, খোংবানগী ঈশিংদা হৌবা নাপী-শিংবী ওকতা পীজবীরোইদবনি। থাদোক্তুনা লোয়বা ওকশিংগী শজিক চাফম অমদি শান্নবুং থা ৩ খুদিংগী হোংবীগনি।

মথক্তা থমজরিবা থৌরাংশিংসি ওক লোয়বীরিবা মীওইশিংনা পাঙথোকপীদুনা মায় পাক্লা শেন্দোং লৈনা ওক লোয়বীগনি। ●

# খূৎশেমগী হারনা লৈবাক লৈহাওদা পীরিবা চৈথেং -১

- ডা. ৱাইখোম জিতেন -

খূৎশেমগী হারশিংদা পান্থীনা দরকার ওইবা পান্থীগী মচীঞ্জাক মখলশিংগী চাং য়াম্না ৱাংনা পীদুনা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপদা অচৌবা মতেং পাংই। খূৎশেমগী হারশিং হাপ্পনা পান্থীশিংনা মচীঞ্জাক মরাং কায়না চুপখৎপা খক নত্তনা মখোয়গী মরূ মরাশিং হেন্না লুথনা চৎতুনা পান্থীশিং মওং মরীল চুম্না লেপ্তুনা লৈহনবা ঙম্মী।

অমরোমদা অমুক লৈবাক লৈহাও হায়বসিনা মফমদুদা লৈরিবা ঈশিং চুপশিনবা, লৈনুংদা লৈরিবা অহিংবশিংগী নুংশিৎ অমদি ঈশিং ফংহনফম পীবা, পান্থীগী মচীঞ্জাকশিং লেংহন্দনা থম্নবা থৌওংশিং পাঙথোকপা, পান্থীগী মচীঞ্জাক ওইগদবা অমদি থম্নবা থৌওংশিং পাঙথোকপা, পান্থীগী মচীঞ্জাক ওইগদবা অমদি ওইরোইদবা পোৎলম কয়া ফংহনবা অমদি তোঙান তোঙানবা অহিংবা জীব মখল কয়া মতম শাংনা লৈহন্দুনা পান্থীশিংনা হৌদুনা লৈবা ঙম্বা মফম অমা ওইহনবনি। অফবা লৈবাক লৈহাও অমগী মনুংদা পাঙথোক্লিবা থবক থৌওং ময়াম অসিদা খূৎশেমগী হারনা অতেনবা মতমগী কান্নবা কয়া অমা পীরবসু তুং কোইবা মীৎয়েংদা য়েংলবদি মাঙজবনা হেল্লি। লৈবাক লৈহাওদা খূৎশেমগী হারশিংনা কায়থহল্লক্লিবশিংদু তোঙান তোঙান্না মখাদা নৈনজরি।

**১) লৈবাক্কী লৈরিকশিংদা :**- ঐখোয়না লৈবাক হায়রিবসিদা লৈঙোই, লৈতান অমদি মখোয় অনীগী মরক্তা লৈবা (সিল্ট) য়াওরিবনি। অসিগুম্বা লৈবাক্কী মচাকশিং অসি অমগা অমগা অকক্লবা মওং অমদা ফাজিন্নদুনা লৈবাক-লৈরিকশিং শেম্মী। লৈবাক লৈরিকশিং মওং চুম্না অমগা অমগা ফাজিন্নবা হায়বসি মফম অদুদা লৈগদবা লৈতান অমসুং লৈতান অদুদা নপকদবা পান্থীগী মচীঞ্জাক ওইগদবা পোৎলমশিংগী মখা য়াম্না পোল্লি। খুদম ওইনা কেলসিয়ম অমসুং হায়দ্রোজেনগী ওইবা লৈতানশিংনা সোদিয়ম, মেগনেসিয়ম অমসুং পোটাসিয়মগী লৈতানশিংদগী লৈবাক লৈরিকশিং হেন্না মওং মরীল তানা ফাজিনবা ঙম্মী। মতৌ অসুম্না মতম শাংনা হার হাপ্লকপা লৌফমগী লৈবাকশিংগী লৈবাক লৈরিকশিং মওং তানা অমগা অমগা ফাজিন্নদবনা মরম ওইরগা উফুল শানা ফ্রোং ফ্রোং কাইদুনা ঈশিং নৎত্রগা নুংশিৎনা লায়না লৈমায়গী মথক থংবা লৈরোলগী লৈবাকশিং চেন্থোকখি। লৈবাক মনুংদা লৈফম থোকপা ঈশিং অমসুং নুংশিৎকী খল কায়বা, লৈমায়গী লৈরিকশিং ফাল শানা কনশিনবা, অহৌবা পান্থীশিংগী মরূ মরাশিং নীংথিনা ফাজিন্দুনা লেপ্তুনা লৈবা ঙমহন্দবা, পান্থীগী মচীঞ্জাকশিং মরানা চুপখৎপা ঙম্বা মফমগী ৱাংমদা পুথখিবনচিংবা থোকহন্দুনা লৈহাও লৈতবা লৈবাক হায়বদু ওইহল্লকই।

**২) লৌফমগী অশিন অয়াক :**- খূৎশেমগী হার শীজিন্নবনা লৌফমদা অকায়বা পীরিবা মচাকশিংগী মনুংদা অশিন অয়াক্তা পীবা অকায়বা অসিসু য়াম্না চাউবা অকায়বা অমনি।

শুনুগী মচাক ওইবা পোৎলশিং মরাং কায়না য়াওদবা লৌফমদা নাইট্রোজেন কৌবা পান্থীগী মচীঞ্জাক ফংনহগদবা হার খুদম ওইনা য়ুরিয়া, দিএমোনিয়ম ফোসফেট (দি এ পি/দাইমো), এমোনিয়ম সলফেট, এমোনিয়ম ক্লোরাইদনচিংবা হারশিং লেপ্তুনা শীজিন্নবনা লৌফম্বু হেন্না শিনবা লৌফম ওইহল্লক্তুনা পোৎ থাবদা খুদোংচাহল্লক্তে।

নাইট্রোজেন পীবা হারশিংখক নত্তনা পান্থীশিংদা ফোসফরস ফংহনবা, ট্রিপল সুপর ফোসফেট অমসুং সিঙ্গল সুপর ফোসফেটনা ফোসফরিক এসিদ পুথোক্তুনা লৌফম্বু অশিনবা লৌফম ওইহনবদা মতেং পাংই।

খূৎশেমগী হারনা লৌফম্বু অশিনবা ওইহনবা/ওইহন্দবা হায়বসিগা লৌফম অদুদা লৈবা ওর্গানিক মেট্টর (পান্থী/শা-ঙা অমদি মথী-ময়ুং, পথ্ব-পুমথা তৌবদগী ওইবা লৈশা) য়াম্না য়াওবা য়াওদবগা মরী য়াম্না লৈনৈ। মরম অদুনা খূৎশেমগী হারগী কান্নবা চপ চানা লৌবগা লোয়ননা লৌফমগী অশিন অয়াক থুনা হোংহল্লোই হায়রবদি লৌফমদা ষন্থি - ষণয়ুং অমসুং কম্পোষ্টশিং হাপ্পীবা অমদি চরূ চনাই লৌফমদা খোইজিনবীগদবনি।

খূৎশেমগী হারনা অশিনবা লৌফম ওইহল্লকপনা পীগদবা চৈথেং :-

(অ) নাপী হীদাক মখল খরা খুদম ওইনা Paraqual Liquate, 24D, Nitrilees, Phenol নচিংবা নাপী হীদাকশিং অশিনবা লৈবাক্লা হেন্না থুনা চূপশিনখিবনা কান্নবা ফল পীবা ৱাৎলি।

(আ) এমোনিয়াদা য়াওবা নাইট্রোজেনবু নাইট্রাইট কৌবা নাইট্রোজেনদা ওন্থোক্তুনা পান্থীশিংদা ফংহল্লিবা বেক্টেরিয়া মখল অসিনা মথৌ নীংথিনা পাঙথোক্ল বগীদমক অশিন অয়াক্কী চাং অসি ৬.৫-৭.৫নি। করিগুম্বা লৌফমগী অশিনবা অসি ৫.৫কী মখাদা লৈখ্রবদি বেক্টেরিয়াশিং মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙমদদুনা এমোনিয়াশিং চুমথখ্রগা লৌনুংগী ঈশিংদা য়াওখিনি অদুগা ঈশিং অদু হূ চেলহনবগা লোয়ননা ঐখোয়না শীজিন্নরিবা হারগী কান্নবা চপ চানা ফংবা ঙমদে।

(ই) নুংশিত্তগী নাইট্রোজেন ফাজিনবা ঙম্বা বেক্টেরিয়াশিংসু অশিন অয়াক্কী চাং ৬কী মখাদা লৈখ্রবদি মখোয়গী মশিং হেনগৎপদা অথিংবা পীদুনা মথৌ পাঙথোকপা ৱাৎহল্লি।

(ঈ) লৈবাক্কী অশিনবনা ৫.৫গী মখাদা লৈখিবা মতমদা পান্থীগী মচীঞ্জাক ওইবা আইরন অমসুং মেঙ্গানিজগুম্বদি লৌফমদা হেন্না মরাং কায়না ফংবনা মরম ওইদুনা পান্থীশিং হৌবদা অপনবা ফাওবা পীরকই। অদুগা অমরোমদা ফোসফরস, বোরোন, কোপর অমসুং জিঙ্কগুম্বনা পান্থীশিংনা ফংবগী চাং হন্থরকই।

**৩) লৌফমগী ওর্গানিক মেট্টর :**- লৌফম অমগী লৈবাক লৈহাও লৈনবা, লৈবাক্তা ঈনিল কুইনা লৈনবগীদমক পান্থীগী মচীঞ্জাক্কী মচল শুনা য়াওরবা ওর্গানিক মেট্টর (শা-ঙা, পান্থী-শিংবীদগী শেম্বা হার) হায়বসি লৌফমদা মরাং কায়না থম্বা তঙাইফদে।

ওর্গানিক মেট্টরনা, লৈবাক্তা লৈবা মাইক্রোবস (হিংকুপ) শিংগী মচীঞ্জাক পী, লৈবাক লৈরিকশিং মওং মরীল চুম্না থম্মী। অদুগা লৈবাক্কী অশিন অয়াক থুনা হেক্তা হোংহনগদবদগী থিংই। খূৎশেমগী হারশিংনা লৌফমগী ওর্গানিক মেট্টর হন্থহল্লি হায়বদি লৈতে। অদুবু খূৎশেমগী হারগী তোঙান তোঙানবা চৈথেংশিংনা মরম ওইরগা লৌফমগী ওর্গানিক মেট্টর হন্থহল্লকপদি য়াই। মরম অদুনা ঐখোয়গী অশাবা লমদম ওইরিবা মফম অসিদদি লৌউ-শিংউ তৌরিবশিংনা লৌফমদগী থোরকপা লেমহৌখাকশিং লৌফমদা অমুক হাপ্পীবা কাউবা য়াদে। খূৎশেমগী হার লেপ্তুনা শীজিন্নরগা পান্থীগী লেমহৌখাকশিং লৌফমদা হাপ্পীদনা লিশাংশিংনা লৌ উবীরবদি লৌফম অদু মতম খরগী মতুংদা লৈহাও মাঙখিগনি। ●

# চারা শেম্বদা নীংশিংবীগদবা কাঙলোন খরা

- লোংজম বোরিস -

অফবা চারা শেম্বা হায়বসি অনৌবা পান্থী থাবদা চঙদ্রবা য়াদ্রবা মচাক অমা ওইরি। থাগদৌরিবা পান্থীগী চারা শেম্বা মতমদা কাঙলোন লানবা নৎত্রগা কায়রবদি পান্থী নীংথিজনা হৌবা ঙমদে। মসিদসু নত্তনা চারা নীংথিনা শেম্বীরবদি চারা য়োনবা খক্তদা শেল তানবা লায়না য়াই। মরম অসিনা চারা নীংথিনা শেম্বীবা হায়বা অসি তঙাইফদবা অমা ওই।

**এ) চারা শেম্বীবগী কান্নবশিং :-**

১) অপীকপা মফম অমদা পান্থী মশীং য়াম্না থাবা অমদি শেন্নবা য়াই।

২) মমল তাঙবা অমদি য়াম্না পীকপা মরূশিং মাঙহন্দনা থাবা য়াই।

৩) লায়না-তীলনা অমদি পান্থীদা থোল্লককপা অমাঙ-অতা কয়া লায়না লাকশিনবা ঙম্মী।

৪) অপীকপা মফম অমদা থাবা ওইবনা পান্থী শেন্নবগী শেল চাদিং হন্থহল্লি।

৫) থাদোল্লবা মতুংদা চাং মান্ননা পান্থীশিং হৌবা হেল্লি।

৬) ঙন্না চারা শেমদুনা থাদোকপনা হেন্না শেন্দোং লৈবা হেল্লি॥

৭) চারা শেম্বনা থাদোক্কদৌরিবা লৌফম অদু হেন্না নীংথিনা শেম শাবগী মতম ফংহনবা।

৮) নাপী লায়না লাকশিনবা ঙম্বা।

৯) চারা শেমদুনা থাবনা লোক্কদবা মতম (harvest time) মাঙজৌননা ফংবদা মতেং পাংই।

**বি) চারা শেম্ফম মফমদা চেনগদবা মগুণ খরা :-**

১) নুংশা নীংথিনা ফংবা মফম ওইগদবনি।

২) ঈশিং চাইনবা নীংথিনা ফংবা মফম।

৩) শা-ষণনা চঙবা ঙমদবা মফম অমদি অকনবা নুংশিৎ য়ৌদবা মফম ওইগদবনি।

৪) চারা শেমগদৌরিবা মফম অদু লৈহাওদা ঈশিং নীংথিজনা ফাজিনবা ঙম্বা (water holding capacity) ওইগদবনি।

৫) ঈশিং তুংদুনা লৈতবা মফম ওইগদবনি।

৬) অতোপ্পা মনা-মশিং থাফমগা য়াম্না কা হেন্না নক্নদবা মফম ওইগদবনি। অতোপ্পা মফমগা নক্লবনা লায়না-তীলনা তাবগী চাং কা হেন্না ৱাংহল্লি।

৭) লম্বী অফবা মনাক নকপনা চারা য়োনবদা হেন্না খুদোং চাহনবা মরম্না অফবা লম্বী মনাক নকপসু কান্নগনি।

**সী) চারা শেমদ্রিঙৈদা সোইল ট্রিটমেন্ট তৌবীবা :-**

লৈবাক্তা মহৌশানা তীলগী মরূম, মচা, নাপি মরূনচিংবা য়াওবা মরম্না সোইল ট্রিটমেন্ট তৌবা অসি য়াম্না মরু ওই।

**১) ফোর্মেলিন শীজিন্নদুনা সোইল ট্রিটমেন্ট তৌবা :**- কম্মর্সিএল গ্রেদকী ওইবা ফোর্মেলিন অসি ঈশিং লিটর অমদা ২.৫ এম এল হাপ্পীরবা লৈবাক্কী মথক থংবা 14-20 cm অসিদা 4-5 litre per m2 গী চাংদা চোৎনবা কাপ্পীগনি। হীদাক্লা চোৎহল্লবা মফম অদুদা 200 gauge ওইবা পোলিথিন অমনা কুপশিনবীগনি। পোলিথিননা কুপশিনবীবা অসিনা ফোর্মেলিনগী মনিল (fume) অদুনা লৈবাক্তা য়াওবা মহিকশিং হাত্তোকই। কুপশিল্লবা পোলিথিন অদু পুং ৪৮গী মতুংদা লৌথোকপীগনি অদুগা লৈবাক অদু মথক মখা ওন্থোকপীগনি।

ফোর্মেলিন ট্রিটমেন্ট তৌরবা লৈবাক অসি নুমিৎ ৭-১০নিগী মতুংদা কুপ্লিবা পোলিথিন অদু নীংথিনা হাংদোল্লগা থম্বীগনি।

ফোর্মেলিন দষ্ট ফংবীরবদি এফ ৱাই এমগা ১৫:৮৫গী চাংদা তোৎপীরগা 400-500g/m2 লৈবাক লৈহাওদা ওৎখাইবীরবসু কান্নগনি।

**২) ফঙ্গিসাইদ শীজিন্নদুনা সোইল ট্রিটমেন্ট তৌবীবা :**- Captan নৎত্রগা thiram অসি ঐখোয়না 5g/m2 গী চাংদা শীজিন্নরবদি লৈবাক্তা য়াওবা মহীকশিং নীংথিনা লাকশিনবা ঙম্মী। মথক্তা পীরিবা ফঙ্গিসাইদশিং অসি 2.5-3% solution গী চাংদা শেম্বীরগা drenching 4-5litre/m2 গী চাংদা তৌবীবসু কান্নগনি।

**৩) তীলহাৎ হীদাক শীজিন্নদুনা সোইল ট্রিটমেন্ট তৌবা :** - Chlorpyriphos হায়রিবা তীলহাৎ হীদাক অসি 2ml/litre গী চাংদা লৈমায়দগী 15-20 cm depth ফাওনা কাপ্পীরবদি তীল মরূম, মচা অমদি মরা চিকথৎপা ককচেংনচিংবশিং মাঙহনবা ঙম্মী।

**৪) বাইও-এজেন্ট শীজিন্নদুনা সোইল ট্রিটমেন্ট তৌবীবা :** - অহিংবা জীবশিং (bio agents) গী ওইবা পোৎচঙশিং viz. *Trichoderma viridi* নৎত্রগা *Trichoderma harzianum* অনী অসি 1025g/m2 গী চাংদা তোৎপীরগা নুমিৎ ২-৩গী মতুংদা মরূশিং হুনবীবা কান্নগনি। *Trichoderma* হাপ্পা অসিনা লৈবাক্তা য়াওবা মহীকশিং নীংথিনা লাকশিনবা ঙম্মী।

**৫) নুংশাগী মৈশা শীজিন্নদুনা সোইল ট্রিটমেন্ট তৌবা (Soil solarization) :**- নুংশাগী মৈশা শীজিন্নদুনা সোইল ট্রিটমেন্ট তৌবা (soil solarization) না লৈবাক্তা য়াওবা কোকফাই শুজা মরূশিং, লায়না পোকহনবা ঙম্বা মহিকশিং, নাপী মরূশিং মাঙহনবা ঙম্মী। মপূং ওইনা soil solarization অসি অৱাং ভারত (নোর্থ ইন্দিয়া) গী 47oC য়ৌনা শাবা মফমশিংদা তৌবনা হেন্না কান্নবা ফংই।

নীংথিনা চোৎহল্লবা লৈবাক অদু 200 gauge polythene sheet অমনা হাপ্তা ৫-৬ কালেন্থাগী মতমদা কুপশিনবীগনি। কুপশিল্লিবা পোলিথিন সিট অচোৎপা অদু লৈবাক্লা মতাইদা চেৎনা য়োমশিন্দুনা নুংশিৎ চেৎনা ফাজিনবা (airtight) ওইহনবীগদবনি। মতৌ অসুম্না airtight ওইরবা লৈবাকসিদা কালেন নুংশাগী মৈশানা য়ৈবগী মৈশানা লায়না থোকহনবা মহীক্কী মরূশিং, নাপী মরূ অমদি তীলশিংগী মচা, মহুমশিং নীংথিনা মাঙহনবা ঙম্মী।

**দি) সোইল ট্রিটমেন্ট (লৈবাক লৈহাওদা হীদাক তোৎপা) :**- মোরোক, খামেন অশিনবা অমদি মমল ৱাংবা মনা মশিং (high value crops) শিং অসি লৈবাক লৈহাওদা লৈবা মহীকশিংনা চাউনা অমাঙ অতা থোকহল্লি। মরম অদুনা মরূশিং অসি *Trichoderma viride* 4g/kg, Carbendazim @ 1g/100 gm গী চাংদা ট্রিটমেন্ট তৌবীরবদি লৈবাক লৈহাওদা য়াওবা মহীক অমদি মরূদা য়াওবা মহীকশিং নীংথিনা লাকশিনবা ঙম্মী। চানবা তীলহাৎ হীদাকশিং শীজিন্নবসু নীংথিনা কান্নগনি।

ঈ) শেম্বীরবা চারাশিং অদু ঈশিংদা তুমহল্লবা NPK-19:19:19 @ 0.3%(3g/litre) হুল্লবা মতুং নুমিৎ ১২নি শুরকপা অমদি নুমিৎ ২০নি শুরকপদা কাপথোকপীরবদি চাউবা নীংথিনা হেনগৎহল্লি। মরূশিং অদুনা ময়োন চোংলক্লবা মতুং নুমিৎ ৭-১০নি শুরকপা মতমদা systemic insecticide কাপথোকপীবা অসিসু তঙাইফদে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্লা মরী লৈনদে।